# শামুরোইবা নিংথৌ অমসুং ককচীংগী শেন্মীৎলোন চাওখৎ থৌরাং

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

লৈবাক অমা চাওখৎপা, নুংঙাই-য়াইবী মরাং কায়না ঈং-তপ্লা, মরা চেৎনা পানবা হায়বসিদা শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিবু মায় পাকহনবা হায়বসি কাঙলোন চুম্বা থৌশিল থৌরাং পায়খৎপা ঙম্বগা লোয়ননা পোরম পোমিৎ য়াৎপা হৈবা লৈঙাক্লোই লুচিংবশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি। ঐখোয়গী ওইনসু থায়না মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদসু অদুমঙায়, লৈঙাক্লোই লুচিংবা ওইরিবা নিংথৌনা লৈবাক্কীদমক শেন্বা থৌশিল কয়াবু অঙম অথৌশিং অমদি লৈবাক মীয়াম্না শৌগত্তুনা থবক্তা ওন্থোক্লম্মী। মদুনা ঐখোয়গী ইরৈবাক অসি খূৎকন পাঙ্গনবা অমদি শেন্মীৎলোন্দা মীপান তাংদনা হিংবা লৈবাক ওইরম্লিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ইনিংথৌ কয়াগী হাক্তক্তা লৌউ-শিংউ, খূৎশা হৈবগী থবক অমদি লল্লোন-ইতিক্লচিংবা চাওখৎনবা থবক পায়খৎলম্মী হায়বসি পুৱারীগী লাতমদা মমি তাদুনা লৈরি। খুদম অমা অনীদং লৌখৎচরবদা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী হাক্তক্তা নিংথৌ পোংবা তরাগী মনুং চন্না নোংথোনবা ফম পায়বীরম্বা ইবুধৌ খল্লাংবনি। য়োৎশুং য়োৎশাগী হীরমদা মমুৎ তানা খঙ-হৈরবা ইবুধৌ মহাক্না মীরম তখেলদা চত্তুনা চহী খরা লৈথোক্লুবগী ৱারোল ***ককচীং খুন্থোক্লোন*** অমদি ***খল্লাংবা খুনকুল্লোন কৌবা লাইরিক্তা য়াওরি*** । ইবুধৌ মহাক্না মনীং তম্না লৈনীংবা মফমদা লৈখিবদু য়োৎচাক থিবা অমদি য়োৎশু য়োৎশাগী থবক মায় পাক্না চথুনবনি। তাওথিংমাংনা ময়াম্বুং য়োইমোংবগা লোয়ননা তুরেল মরীন তেংখিবদু লৌউ-শিংউবগসু মরী লৈনৈ। মৈদিংঙু লোয়ুম্বনা য়ূম্নাক অমদি খুল কাঙলূপকী মশিন য়েন্থোকখিবা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন চাওখৎনবনি। কুমজা ১৫৩৬তা মৈদিংঙু কবোম্বনা মণিপুরদগী তেখাও য়ৌবা লন্বী শেমখিবা লল্লোন ইতিক চাওখৎনবনি। ইনিংথৌ কয়ানা মশীং য়াল্লবা থুমখোং কয়া শেমগত্তুনা ঙাকপী শেনবীরম্বা অমদি থুম শুংলম্বগী ৱাফমসু ***চৈথারোল কুম্বাবা, থুমখোংলোন্নচিংবা লাইরিক্তা*** ইরি। মৈদিংঙু খাগেম্বনা লল্লোন ইতিক চাওখৎনবগীদমক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কৈথেল তরা লিংখৎখিবগী ৱাফম পুৱারীগী লমায়দা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি।

ঙসি ককচীং খুল্লেন অমসুং ককচীং ৱাইরি হায়রিবা খুনফম অনী অসিদা খুন্দারিবা ককচীং কাঙলূপ্পা কেরেচীংদা কোনুং ওইদুনা লৈরিঙৈদা ককচীং নিংথৌ ওইনা পাল্লম্বা শামুরোইবা নিংথৌনা লৌউ-শিংউ অমদি ফিশা-লোনশাগী থবক চাওখৎনবা হোৎনরম্বগী ৱারী অখঙ অহৈশিংনা থন্বীরম্মী। ককচীং কাঙবুনা থৌবালদগী হোংলকখ্রবা মতুং কেরেচীংদা কোনুং ওইদুনা লৈরবা মতমদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা চিরুখোম্ববু ককচীং নিংথৌ ওইনা হাপখি। মণিপুরগা অৱাগা অকনবা লান শোক্লবা মতম্লি। মৈদিংঙুনা লান চৎপদা চিরুখোম্বনা থৌগল তৌরম্মী। অশোঙবা উমং ফাওদুনা চৎপদা লোকচাউ তুরেলদি ঈশিং চাওমনখিবনা খুদোংথীবা ফীভমদা লৈরম্মী। চিরুখোম্বনা নিংথৌবু পোরগা তুরেল অদু লাল্লম্মী। চিরুখোম্বগী থৌগল্লোন অমদি মতিক মথৌনা অদুদা নিংথৌনা অদুক্কী মতিক পেল্লদুনা অসুম্না হায়রম্মী-

"ইতাউ নঙগী নঙ্গলদা তোংদুনা ঈরানবসি শামু তোংদুনা লানবগুম নুংঙাইএ।"

অসুম্না চিরুখোম্বদা শামু অমা খুদোল তম্বগা লোয়ননা ককচীং নিংথৌ হাপ্পুনা শামুরোইবা মিংথোল পীখি। মহাক্না ককচীং নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিঙৈদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক খুমাঙ য়াম্না চাওশিল্লম্মী। লৌউ-শিংউবগী থবক মায় পাক্না চথুনবগীদমক ঈথৈ লৌখোং শেমগৎলম্মী। ইরেংবন্দগী নিংথৌ চকপ্রৌ থকুৎকা খূৎশম্নদুনা সেংমাই তুরেলদগী লৌখোং তৌদুনা ঈশিং ইখাই পীরম্মী। অসুম্না খুরায়লাকপা, কোনশং, লমদোং লৌকোনশিংদা মথং-মথং খোং তৌদুনা লৌবুকশিংদা ঈশিং ফংহন্নবা থৌশিল পায়খৎলম্মী।

মহাক্কী মতমদা লুখ্রাবীশিংনা মরোমদোম হিংবা ঙম্ননবা থৌশিল শেল্লম্মী। মশামক্কী ময়ূমদা লুখ্রাবীশিংগীদমক্তা অখন্নবা শিন্নাইশঙ লিংখৎলম্মী। মখোয়বু শিন্নাইশঙ অদুদা কাহন্দুনা মোইথাপ নাইবা, ফিশা-লোনশাগী থবক তৌহল্লম্মী। মসিদসু নত্তনা মখোয়বু লূ থুম্ননবা শোয়পন থোনবগী থবক্তসু শীজিন্নরম্মী। নুপীশিংনা শোয়পন থোনখিবা মফম অসিবু ঙসি ফাওবদা নুপীশোয় হায়না খঙনরি হায়না ***ককচীং খুন্থোক্লোন***দা পল্লি। মসিদসু নত্তনা শামুরোইবা নিংথৌ মশামক্না শামু তোংলগা মফম খুদিং কোইনা চত্তুনা লূ থুম্বদা খুদোং চাগদবা মফম য়েংদুনা ঙখাপাৎ, তোনশেন পাৎ, শমপ্রুম মরিন্নচিংবদা শোয়পন শেমগৎখি। হায়রিবা শোয়পনশিং অসিবু মীওই কয়াদা পীদুনা লূ থুমহল্লম্মী।

লৌউ-শিংউবা, ফিশা লোনশা, লূখুম-লাংথাক্লচিংবগী হীরমদা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা শেন্মীৎলোন চাওখৎনবা হোৎনরম্বা ককচীং নিংথৌ শামুরোইবগী পূন্সি পোলোইদি পূক্নিং য়াম্না নুংশিনীংঙাই ওইখি হায়না থন্বীরম্মী। মণিপুর লৈঙাক্লোন্দা ওইহন্নীংদবা মওং অমা ওইরকখি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা চঙ চঙ লাউনা লৈবাক ঙাক্লিঙৈদনি, মজাইবুংঙো চিৎশাইনা ফম্বাল মুনখ্রে। ফম তারবা মপাইবুংঙোনা মফম হোং হোংদুনা রাম নগর, অঙোম য়ুম্ফম, চজিংনচিংবদা লৈখি। কাইনথংদা চিৎশাই নিংথৌনা মপাইবুংঙোবু লৈবাক অসিদা লৈবা য়াররোই হায়বদগী মরৈবাক থাদোক্তুনা অৱা লৈবাক্কীদমক খোঙশানখি। মহাক্কী মরোয়-মনাই খরগা লোয়ননা অৱা মায়গৈ পাংননবগীদমক খোঙশাল্লকপদা ককচীংগী লয়মনাই চীংজিন্দা পোত্থারম্মী। ককচীং নিংথৌ শামুরোইবা অমসুং ইরেংবন্দ নিংথৌ চকপ্রৌ থকুৎ অনীদি মহাক্কী অচানবা মনাইনি, নকশিন্নবা মরুপ ওইনসু লোয়নরকখিবনি। কেরেচীংগা ইনক নক্লনা লৈরিবা লয়মনাইদা ঙাইহাক পোত্থাদুনা ককচীং নিংথৌ শামুরোইবগা উনরমগে হায়না খল্লম্মী। মরম অদুনা মনাইশিং থাদুনা ককচীং নিংথৌবু মাগী মনাক্তা ফম তারবা নিংথৌ মহাক্না উনবদু নিংথৌ চিৎশাইনা খঙখিবা তারগদি মহাকপুসু তান্থোক্তুনা অৱাফমদা শোয়দনা তাগনি হায়না খল্লম্মী। মরম অদুনা মহাক্তি নাদুনা লৈরে থোরকপা ঙল্লরোই হায়না মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মনাইশিং অদুদা পাউ হনখি। মদুদা মৈদিংঙুনা শামুরোইবা নিংথৌগী মফমদা ৱারৌবা পোকপগা লোয়ননা অসুম্না মচিন্দা শোল্লম্মী-

"ইতাউ নঙনা তশেংনা নাবা ওইরবদি য়াম্না থুনা ফবা ওইরো। অদুগা নাদবা ***মীনম্বা*** ওইরবদি ঙসি ঐনা অৱাফমদা তারিবা অসুম্না নঙসু তাবা ওইসনু।"

অসুম্না হায়রম্লগা মফম অদু থাদোক্তুনা অৱা লমদম্লোমদা পাংখি। মতম খরা লৈরগা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজসু তাইবঙপান থাদোকখ্রে। নাকল অমরোমদা পূঙজাও শাননবগীদমক ককচীং খুঞ্জা ময়াম চত্তুনা তুশ্রোক মরূদগী উজাউ য়াল্লম্মী। নারেং হূৎলবা উজাউ অদুগী মথক্তা শামুরোইবা নিংথৌনা তোংলগা অশৈবনা ***হো হায়য়ো*** হায়না চিংলগা ময়াম্না ***হায় হায়*** হায়না শৈখুম্লদুনা উমিংলোন লাউদুনা উজাউ অদু চিংথোক্লম্মী। খুদোংথীবা থৌদোক অদুদা ককচীং নিংথৌ শামুরোইবা উনা ননশিন্দুনা পূন্সি চেঙজেল লোমখি হায়না ***ককচীং খুন্থোক্লোন***দা থন্বীরম্মী। ●

# কাঙলূপ খোমজিন্নবগী ৱাথোক লৈরিব্রা

- নবকুমার ওইনা -



কাঙলূপ মচা-মচাশিং খোমজিন্নরিবসি লান তৌননবগীরা নৎত্রগা লান তৌনরিবনি হায়বগী খোমজিন্নরিব্রা? অনীমক ওইবসু য়াই, অনীমক লাল্লি, লৈবাক মচা তাবা শাজৎ নত্তে। পূন্না লৈমিন্নবা হায়বসি তপ্লা-তপ্লা পুনশিন্নরিবনি, খরা হেন্না থুজিন্নবা দিরেক্টর শাগৎনরকপদগী লানবা হৌরিবনি। হেক্তা খোমজিল্লগসু পুল্লু য়াবা নত্তে, পূল্লবদু পুন্দে খঞ্জবসু ময়াম অমা লৈরিবনি। কাঙলূপ খায়জরগা নুংঙাইজবা য়াওরিবনি।

লৈবাক অমা ওইনা শেমগৎলম্বদু কাঙলূপকী মমিংদুনা নত্তে, মুক্লবগী মহুত্তা পূন্না লৈমিন্নসি হায়খিবা কয়ানি। নাপল অমদা অশিন-অরাং শারগা পুল্লম্বদু য়োল্লগা চাবা হায়বা তারল্লিবনি। পুল্লম্বা অদুসু মাঙখ্রে, ৱাখল্লোন অদুসু মাঙহনখ্রে, অঙম্বা শারুবদুগী মহয়নি। মীয়ামগী ৱা তাবা ৱাৎপা অদুদগী অপঙবা অদুমক তাখ্রবনি। ঙসি লান অমা নংলিবসি পঙলুবগী নত্তে হায়বদি য়াফম থোক্তে।

কাঙলূপ খরা পুনশিল্লগা হিংনবা লন্বী থিবা হায়বদুদি য়াম্না ফজবা ৱাখল্লোন অমনি। খোমজিনবগী খোমজিনবা কাঙলূপ নিফুমুকসি পূন্না খোমজিনবা ঙমদবসি অচৌবা অশোয়বা অমনি। করিগী ঙমখিদ্রিবনো হায়বসি ঙসিদি ইখঙ খঙনরবা অমনি। নাপল কানবসি লাইনীংদসু অদুম য়াওবদৌনা খলহল্লি, পুন্দনবগী লন্বীসু য়াৎলি। লাই থাজবা মীশিংসি কুইরা কুইরগা মপুক শেংদবগুম খন্নরকপা মাল্লক্লি। কাঙলূপ মচাশিং খোমজিল্লগা অচৌবা কাঙলূপ অমা শেল্লগা অফবা ফূরুপ অমা হেক্তা ওইরগনি হায়বসু লৈতে। পীক্কেরা, চাউগেরা কাঙলূপ খুদিংবু মায় ঙাক্না ইকায়খুম্নবা উৎনরবা মতমদতা ঈংনা-চিক্না মরা-তপ্লা লৈমিন্নবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনি। হায়বা ইল্লু হায়না হেক্তা হেন্দল তৌনরবদি কাঙলূপ মচা-মচাশিংগী মরক্তসু ঈখেং তানরকপা অঙকপনি হায়বা য়ারোই। কাঙলূপ খরা অমদি মূৎখ্রবা মাল্লক্লি; খুমন-মোইরাং হায়বসি ঙসিগী কাঙলূপ মচাশিং অসিদগী হেন্না চাউনা লৈরল্লিবা লৈবাক অমমম ওইরম্লিবনি। পাঙদবদগী লান অমুক তৌনখিদবা ওইনা য়েংবদি লানগনি।

পুনবদুনা ফরে হায়বগী ৱাখল্লোন অদুদা পুন্নখ্রিবনি। মীওই খরনা অথেনবা মিৎয়েংদা য়েংনবা য়াওদবসু নত্তে। মরু ওইরক্লিবদি করিগীদমক চীংগী লমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগা পুন্দনবা করিবু তৌখ্রবগে হায়বসি খঙনফম থোকপদুনি। পুনগদৌবনিতা মহায়বা অদুদি ফুরি হোৎ-হোৎনা উইরগা পঙহায় হায়বা মাল্লকপদুনি। চাক চরা অমনা হৌ-হৌ হেক্তা য়াবা নত্তে, শাজৎতি য়ানদনা। খন্নরিঙৈদা ঙসিদি শামুরৌ য়ৌরে, নোংমৈ শেমগদ্রা-পেনা শেমগদ্রা য়েংবা তারি। পূনবা-পূনবা হায়রিমখৈ পূন্দ্রিবনি হায়বা খঙই। অঙাংনা শৈরেং থিবদৌনা থিনরবনি, শেল তানবগী খুল্লং ঈশৈ মাল্লক্লবনি। ঙসিদি পূনবা হায়বা অমা ঙাইদুনা লৈথোকপা য়াদ্রে, থবক্লা তাল্লক্লে। থবক অমা পাঙথোকপদদি মপু শাবনা হাল্লবদি কনাগা পূনগদৌরিবনো? ঐনা-ঐনা খনবনা চুম্মী খনবসিদি লৈবাক নীংবা কৌবা য়াদে, মদুনি লৈবাক থুগাইবাহায়রিসিনি, কাইখ্রবনি।

ঙসিদি হায়ফম-তৌফম খঙদ্রবা থাক অমদা লৈরে। কনাসু থাজনদ্রে। এম এল এ, এম পিশিং করি তৌরি হায়বা কনানসু থৱায় য়াওনা তানীংলক্তবা মান্না য়েক্লবগুম লৌনবসু য়াওনরক্লে। মীয়ামসু চাক চরা অমগী কোইচেন চেল্লগা হিংবা মশীং খঙদনা হেনগৎলক্লি। মসিদবু পুল্লুবগী কান্নবা হায়বা অমা ফংলিব্রা। পূনবগী ৱাখল্লোন অসিদা লান ঙম্বা নৎত্রগা মীখা পোনবগী ৱাফম য়াওদে। নিংথৌ শাবদি লাল্লি হায়বদগী লৈঙাক কাঙলোনগী মমিং ফাওবা হোংলবনি। অদুগা শাজত্তা ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী নিংথৌ শাদুনা ঙাঙবা য়াওনেরিবনি। লৈবাক থুগাইরিবসি মখোয়নি, খুন্নাই অমা মাঙহল্লিবসু মখোয়গী শক্তম ফাওবা ওন্থোক্লবা হোৎনরুবদগী লান থোক্লক্লবনি। কাইথখ্রবা ৱাখল লৌশিং অদু শাগৎপা ঙমদবদগী থৌদাং মপূং ফানা লৌবসু ঙমদনা লেল্লিবা খুন্নাই অমা ওইরবনি। এম এল এ অমতং থাগৎখ্রগা থৌদাং অতৈ লৌদনা লৈবসু লাল্লে, থৌরম পূন্নমক মীয়ামগী কোক্তা লৈগদৌবা মতমদু লাক্লে। লন্বী থোংগী শম্নদবা লায়নাদু ঙসিদি লৈহল্লরোইদবনি, খুঙ্গংশিংদা লাপ্পা লৈবগী ৱাখলনা পঙথবা য়াদ্রবনি। শোয়রিবসি লাপ্পা লৈরগা থৌদাং লৌদবা অসিমকসু অমনি। খুঞ্জাশিংনা খুন্নাইলোন নৈনবদা থোইদোক্না মায়পুনবা ঙমদবগুম তৌবসিনা অচৌবা শোয়নাইবা কয়াৎ ওইহল্লিবনি। খোমজিন্নবদগী পঙলৈ লৈবনি খনবগী মতম খৈনা লোইখ্রবনি। য়োল্লগা চাখ্রবগুম নিংদোন পোল্লগা লৈথগদৌবসু ওইদ্রবনি। মিৎকুপ অমত্তবু মাঙহন্দনা থবক শূনরগদৌবা মতমসিদা পূনবা-পূন্দবা হায়রগা মতম মাঙহনফম থোক্তে খল্লি। এদ্রেশনি।

থবক্তি কন্নরি, লৈবাক নুংশিবগী হিদান্নরি, ঐনা হেল্লি, মানা হেল্লি লাউনরি। থবক থৌদাং মুন্নরিবসি শেন্দোংগী ওইনা উনরি। অদুগা মিৎকুপ খুদিং অচুম্বা শানরি, করিদবু হায়জ শারিবনো, ৱারী শানবগী মওংবু ইউ উখিদ্রে। পূন্না য়েংবদদি লোইনমক চপ চানা কাওনা-য়েন মাল্লক্লবনি হায়রবনি। ইশা-ইশাসু য়াওখ্রবনি।

পার্টি খাইদোক্লরিবসিসু কাঙলূপ খাইদোক্লবগুম্বনি, লৈবাক নীংবসিসু কাঙলূপ ময়াম অমা খাইদোকপা য়াখৎলকইবনি। ভোট লেপ্পগা নুংশিবা, ভোট লেপ্তুনা নুংশিবা, থিকা তৌরগা নুংশিবা, লল্লোল্লগা নুংশিবা, লৌ উরগা নুংশিবা, লাই নীংলগা নুংশিবা, থবক পংশুদা শূরগা নুংশিবা, নুপী ময়াম থিরগা নুংশিবা, জগোয় শারগা নুংশিবা, থাঙ হাইরগা নুংশিবা, নোংমৈকক্না পায়রগা নুংশিবা, মখলশিং অসি কাঙলূপ অমমম ওইনবু লৌবা য়াখৎলক্লবনি। হায়বদদি কয়া ফজদবা, য়ূম পান্দবশিংদি লৈবাক নুংশিবনি হায়বা য়াদবা মতাং লাক্কদৌরিবনি। লৈবাক্তগী ইশানা হেন্না চাউনা খন্নবসু মাল্লক্কদৌরিবনি, লৈঙাক্লসু হন্না য়েংবীবা নৎত্রিবনি। কাঙলূপ অমা ওইখৎলক্লবনি হায়বসি খুন্নাইসিনসু খঙবা মান্দরিবনি। ইরায় লায়বশিংসি লূনা-লূনা খন্নখিবদগী নহাশিংবু মনীং-মমাঙ কোয়থৎ থৎলগা জেলদা থম্বসু য়াওশিল্লক্লিবনি। কাঙলূপ খাইরিবনি।

হৌজিক্তি নোংমৈ পায়বা হায়বা কাঙলূপ অমসু লৈরবগুম্বনি। নোংমৈ পায়বা কাঙলূপ্তা হুরানবা খরসু য়াওরবা ওইগদৌরিবা মাল্লি। থবক্তি শূনীংদবা, লন্বীদকক্না থৎলগা মুনবা, লাইগসু মরী লৈনদবা কাঙলূপ অমসু লৈরবনি। খাইবু খাইদোক্কে হায়রবদি কাঙলূপ কাঙলূপ ময়াম অমা খাইদোকপা য়ারিবনি। পূন্নদি লৈমিন্নরিবনি। পূন্নমকসি লাকশিল্লগা থল্লিবা কাঙলূপ অদুনা করপসন তৌরিবশিংনি। লাইনীংনা খাইদোকপা কাঙলূপ্তুগীদি দ্রগনা খাইদোকপা কাঙলূপ্পা ময়েক শেংবা হেল্লক্লি। লৈবাক নীংবগা করপসননা খাইদোক্লিবা কাঙলূপশিংগদি পূল্লবনি। তারিবা ঐখোয়না শোয়রিব্রা খঙদে। মীতোপ্পি হায়বা কাঙলূপ্তি কোনশিল্লোই হায়রি। কদায়দনো? ●

# আকাশবানি ইম্ফালদা রুপমহলগী 'ইনিংথৌ কুলচন্দ্র'

- ডা. জোতিনকুমার মঙাঙ, পোন্দিচেরি-

পাউচেদা কৈনোমা ইবা, মীয়ামদা ফোঙদোক্লিংবা অমা খঙহন্নবা হোৎনজবা–ঙসিগীসিনা অহানবনি। অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওরল্লবদি মীয়াম্না ঙাকপীয়ু। অফ–ফত্ত নৈনবা হৈজবা মীশকসু নৎচদে।। পূক্নিংগী ইহুল অসিমদি থিংবা ঙমজহৌদ্রদুনা কলম পায়জরুরে।

রেদিও, আকাশবানি ইম্ফালদি, থবক্তা লৈরিঙৈ নহা ওইরিঙৈদগী অমদি থবক্তগী পোত্থারবা ফাওবসিগী চান্নরবা নক্লরবা মরুপ্নি। অহল ওইরক্লবসিদনা হেন্নবু নক্লরে হায়বা য়ারে। শিনফমগা চান্নদ্রবসু মণিপুরগী কলা, লিলা দ্রামা, জগোয় ঈশৈ, মণিপুরি ফিল্মবু থৌগৎচবশিংগী মরক্তা অমসুনি। মণিপুরগুম্বা লায়রবা লম অসিদদি, আর্টিষ্টশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীনবা তাঙই হায়জনিংই। হিরম অসোমদা, আকাশবানি ইম্ফালনা লৌবিরল্লিবা থৌদাং অসি চহি য়াল্লক্লে, মমল য়ামখ্রে। রেদিওনা শোক্তবা শৌগৎতবা হিরম লৈবু লৈরল্লোই হায়জনিংই। ঈ–পাউ, হকশেল, শান্ন–খোৎনবা, লিতরেচর, সাইন্স, চাউখৎ খোঙথাঙ, নহারোলশিংগী, অঙাংগী, নুপীগী, অহলশিংগী, ঈশৈ নোংমাই, ৱারি ৱাতাই, সুমাঙ লিলা, রেদিও দ্রামা য়ামখ্রে। পনবদা লোইববু নাইরোই। ঐনা খ্বাইদগী পামজবা, চিংখদনা তাজবদি রেদিও–দ্রামানি। মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী থবক্তগী পোত্থারবা অসি ফাওবদা, রেদিও দ্রামাদি ঐগী পুন্সীগী শরুক অমনি।

মশক ওইনা খঙবসু য়াওই, খঙদবসু য়াওই। যোগেন্দ্র পেবিয়া, ওইনাম বিরমঙ্গোল, মেধাজিৎ, বিশ্বমিত্র, তেজকেশ্বর, শ্যামো, য়েংখোম রোমা, গুরুময়ুম ইবেয়াইমা, নোংমৈকাপ্পম প্রেমিলা, আর কে হেমাবতি, কুন্দোরৈ–ময়ামসি ঐগা নক্লরবা মরুপ মপাঙ ঙাক্তনি। নোংমাইজিং, থাংজ কয়াদা মখোয়বু হন্না হন্না ভক্তি কৎচখিবনি। মোইরাংথেম ইনাও, শান্তিরানি লাইশ্রম, মোইরাংথেম প্রিয়োবর্ত্ত, মনাওবী এম এম, হেরোজিৎ নাওরোইবম, অচৌবা য়ুম্নাম, মনি য়ুম্নাম –য়ামখ্রে রেদিও দ্রামাগী অইবা অইবী– লোইনমক নীংশিংবদি থোক্তে। অঙকপা টেলেন্টনি। শাগোলসেম ইন্দ্রকুমার, গুরুঅরিবম য়াইমবী, নিংথৌজম লোকেন্দ্রজিৎ, অধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র, হৈক্রুজম দেবেন্দ্র, মাইবম ইশাকান্ত, সুভাস অথোকপম, অসেম মংলেম্বা মশক উদ্রবসু শকখঙনরবা মীং ঙাক্তিনি। পামজখিবা রেদিও দ্রামা মশিং য়ামখ্রে–মতাঙসিদা পঞ্জররোই –স্পেস হেন্না কনবা থোক্লগনি। ঐনা হায়বসু কয়া হৈত্রে। আকাশবানি ইম্ফালগী রেদিও দ্রামাগী লিগেসি অসিদি মণিপুর খুন্নাইগী শকয়েং মীং শেল অমগুম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

হৌখিবা জন্যুৱারিগী ২৬, রিপব্লিক দে নুমিৎতা, নোংমাইজিংগী 'বারো লিলা' ওইনা, আকাশবানি ইম্ফালনা 'ইনিংথৌ কুল্লচন্দ্র' কৌবা রেদিও–দ্রামা অমা শন্দোরকখি। রুপমহল থিয়েটরনা শান্নবনি হায়না লাউথোকখি। রিপব্লিক দেগী লাইভ কমেন্তরি লোইবা ফাওবা ঙাইরগা তাজহৌবনি। পুং ১২:৪০ অদুৱাইদগী হৌখিবনি রুপমহলগী লিলাদু।

আকাশবানি ইম্ফালবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। ওন্থোক্না মরিক চুমখ্রবা রেদিও দ্রামা অমা পুথোকপীরকই। থোইনা খঞ্জিল্লুদবা, ইথৌ থৌওইরুদবা, মরুদি য়াম্না ওইখ্রবা মচাক ঙাক্তনা পিক থল্লবা দ্রামা অমা মতাং চানা পুথোক্তুনা শন্দোকপীরকই হায়জনিংই। ইচম চম্বা লিলা অমা নত্তে রুপমহল থিয়েটরগী 'ইনিংথৌ কুল্লচন্দ্র'। মরুওইখ্রবা হিষ্টোরিকল এলিমেন্ট কয়াদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেমগৎলকপনি। ইমোশনেল মেলোড্রামাগী মচৎ অমদা ইমা লৈবাক নিংবগী ইহুল অমা য়াম্না কন্না দ্রামা অসিনা পুখৎলকই। কুমজা ১৮৯১ গী এঙলো মণিপুরী লানফম অদুদা য়ুম্ফম ওইবনি। মমাঙদা আকাশবানি ইম্ফালনা কুইরবা মতমদগী, চহি খুদিংগী 'অথৌবশিংগী নুমিৎ' ওগষ্ট ১৩দা রুপমহল থিয়েটর অসিমক্কি 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' দ্রামাবু শন্দোক্তুনা লাক্লি। লিলা অসিসু রুপমহল থিয়েটরগীনি। চহি খুদিংগী নুমিৎ অসিদা থিয়েটর অসিদসু লেপ্তুনা উৎতুনা লাক্লি। অনি–অহুল্লক য়েংজরুরে। অদুগা রেদিওদা শন্দোরকপদি মশিং খঙদনা তাখ্রে।

কুমজা ১৮৯১দা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরমখিবা মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী মরমদা মীয়াম্না ইখঙ খঙনদে, খহুনরুদে। রুপমহলগী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' লিলাদসু করেক্তর অসি কয়া থোইদোক্না মরিক চুম্না উৎপা থেংনখিদে। নহান জন্যুৱারি ২৬, নোংমাইজিংগী রেদিও দ্রামা অসি তারুবদগী, অঙকপা মহাও অমা, মদুসু ইনফোর্মেশন কয়ানা থল্লবা অমা ফংজখি।। মসিমক রেদিও দ্রামা তাজরুবা ঐগী লাইবক ফবনি হায়জনিংই।

"ইনিংথৌ কুল্লচন্দ্র" ঐতিহাসিক দ্রামা অসিনা পীরিবা ইনফোর্মেশন অসি য়াম্মী হায়না থমজগে। কুল্লচন্দ্রগী অশেঙবা মমিং "কুল্লচন্দ্রধবজ" কৌই, "ঙাক্রাচাবা" সু কৌই । নিংথৌ যুবরাজ ওইবা পামখিদবা অঙকপা মৈতৈ নিংথৌ মচানি। ইবুধৌ পাখঙবা অমদি শ্রী শ্রী গোবিন্দজি অনিমকপু নিঙজবা নিংথৌনি ইনিংথৌ অসিগী পোকপগী তারিখ, নোঙ্গাখিবগী শক, তারিখ, ফম্বাল কাখিবা, বৃটিশকি মখুৎতা মায়থীরবা মতুংদা লানফা ওইখিবগী তারিখ, লোই ওইনা লৈহনখিবগী শক, তারিখ–অঙকপা অচৌবা রিসর্চ ৱর্কনি হায়জনিংই।। দ্রামা অমগী ওইফম থোকপা মচৎ, অফ–ফত্তগী মতাঙদদি ঐদি মহামুর্খনি, করিমত্তা খঙজদবনি। অরোইবা সিন অনিদু তাবদা মীৎতগী পি তাখিবদি খঙহৌদে। ইরমদমদা লৈতবগা ওইবগা, রেদিও দ্রামা অসিনা ইমা লৈবাক মণিপুরবু নৌহৌননা নুংশিবা অমদি পোকহনখি।

পঞ্জনীংবা অমদি আকাশবানি ইম্ফালগী দ্রামা সেক্সননা "ইনিংথৌ কুল্লচন্দ্র" দ্রামা অসিবু জন্যুৱারি ২৬তা থাবিরকপা অসিনি। দ্রামা অসিদসু ময়েক শেংনা পল্লি – কুমজা ১৯৩৪ গী জন্যুৱারি ২৬ তা ইনিংথৌ অসি রাধাকুণ্ড ধামদা লৈখিদবনি।। বৃটিশনা পীবা থাগী পেন্সনগী শেনফমগী অয়াম্বা শরুক রাধাকুণ্ড শ্যামকুণ্ড অনি শেমগৎ শাগৎপদা কথোক্লমখি।। অঙকপা মৈতৈ নিংথৌনি।

লিলা অসিবু শান্নবীখিবা রুপমহল থিয়েটরগী মফমদসু মৈতৈ মচা অমা ওইনা ইকোক নোঞ্জরি। থিয়েটর অসিগী আর্টিষ্ট পুন্নমকপু ইকায় খুম্নজরি। আকাশবানি ইম্ফালগা রুপমহলগা লৈনরক্লবা অচেৎপা মরি অদু থিয়েটর অসিগী অনৌবা হিষ্টোরিকল দ্রামা অসিনা চেৎশিনহল্লগনি খঞ্জে।

লিলা লোইবা–হৌবদা অইবগী মমিং লাউথোকপীখিদে –করি মরম লৈবননো খঙজদ্রে। অদুবু খঙবদা অরুবা ওইখিদে। সিনিয়র সিতিজন ফোরমগী মরুপ অমনা টেলিফোন্দা তাকপীরকখি। লিলা অসি খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্রনা ইদুনা দিরেক্সন পীরগা, মশামক্না কুল্লচন্দ্র শাবিদুনা, মমাঙগী চহিদা রুপমহলগী ষ্টেজদসু উৎখ্রে হায়বীরকই। মণিপুরগী মপান্দা লৈজবনা য়েংবগী তাঞ্জা অদুদি ফংজহৌদ্রে–লাইবক থীবনি। ইচাইবুংঙো খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্রবু হান্নদগী খঙজে। মণিপুরগী থিয়েটরগী লিভিং লিজেন্দনি হায়না ইকায়খুম্নজরি – হেটস ওফ তু হিম।

আকাশবানি ইম্ফালনা অসিগুম্বা রেদিও দ্রামা কয়া মীয়ামদা তাহনবিরকপা ওইসনু। রুপমহল থিয়েটরগী মথৌ শঙলবা কলাকারশিংনা, মতিং লৈরবা অসিগুম্বা হিষ্টোরিকল প্লে কয়া শান্নবিরকখিগনি থাজজে। 'ইনিংথৌ কুল্লচন্দ্র'' লিলা অসি হন্না হন্না থাবিদুনা, মৈতৈ ইচিন ইনাও খুদিংমক্তা তাহনবিদুনা, ইমা পোক্লফম মণিপুরবু নুংশিবগী ইথিল পীহঞ্জনীংই।

অরাপ্পা মীরমসিদগী আকাশবানি ইম্ফালবু অমদি রুপমহল থিয়েটরবু খুরুমজরি।

ইমা পোক্লফম মণিপুরনা য়াইফরে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭কী ৱাহং

১) "পূন্সি য়াচংবা মতম ওইরকলে
ঙাল্লম্বা আশাগী নুমিৎ তাখরে
কনানো ঐগী থোংজিন্দা লেপলিবা
পিথোক পিশিনগী মতমদি লোইখরে।"

মথক্কী ঈশৈ মতেক অসিগী অইবা কনানো? করি লাইরিক্তা য়াওবগে?

২) "জৈনেন্দ্রগী 'ত্যাগপত্র' দা উৎলিবা সমস্যা" হায়বা নৈন-ৱারেং অসি অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসিগী মমিং হায়য়ু? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "অকনবা শাফুগী ঈরৈ" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা অসি কনানো?

৪) "কন্ঠপুরা" হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) "লৈতেং য়াওদ্রবা ফজবা" হায়বা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।